# মহারাজ কুমার গান্দ্রেজিৎ সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগতা কে আই ব্রাই সি অমদি এলভেন ষ্টার মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,জুলাই ২২ (এস এন এস) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২১ দগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা নেসু গ্রাউন্দ খুরাইদা চত্থরকপা মহারাজ কুমার গান্দ্রেজিৎ নীংশিং সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ শান্নখিবগী মেটচশিংদা কে আই ব্রাই সি খেক্কিগাও অমদি এলেভেন ষ্টার অকাম্পাৎ মায় পাকখ্রে ।

চত্থরিবা লীগ অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা কে আই ব্রাই সি খেক্কিগাও অমদি পপয়া কাইরংনা শান্নখিবা মেটচতা কে আই ব্রাই সিনা পায়াবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা নেসু গ্রাউন্দ খুরাইদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পূক্নিং চিঙশিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী-মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চত্থন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্মদনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা কে আই ব্রাই সি খেক্কিগাওনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ন্ননা শান্নরক্কুনা পায়াগী মায়কৈদা হেন্না এটেক কনশিলত্তুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্নরকখি।

পায়াগী দিফেন্দরশিংগী অহোবগী তঞ্জাদা কে আস ব্রাইসিগী জর্সি নম্বর ৭ এম দি সাবির অলিনা মেটচকী মিনট৬২ চৎপদা টিম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা পায়াদগী পোইন্ট ৩ মুনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা গোল চনখিবা কে আই ব্রাই সিগী জর্সি নম্বর ৭ এম দি সাবির অলিদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি ব্রাই হেমন্তা, এন অরুন, ব্রাই ইঙোবী অমদি এল রাজানা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ব্রান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগ অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা এলভেন ষ্টার অকাম্পাৎ অমদি রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা শান্নখিবা মেটচতা এলভেন ষ্টার অকাম্পাৎনা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাইবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদি টিম অনীমক্না লম্বা চানা শান্নবদগী গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এলেভেন ষ্টার অকাম্পাৎনা অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্কুনা মেটচ অসি লাকশিন্দুনা শান্নরক্কুনা মেটচকী গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্নরকখি।

মদুগী মমল য়াম্লবা মহৈ অদু ফংদুনা মেটচকী মিনট ৬৩ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৭ এল জোহিদাসনা মেটচ অসিগী অমত্তা ঙাইরবা এলভেন ষ্টার অকাম্পাৎকী মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা পোইন্ট ৩ ফংখি।

মেটচ অসিদা এলভেন ষ্টার অকাম্পাৎকী জর্সি নম্বর ৪ দব্লিউ নন্দেশ্বর অমদি জর্সি নম্বর ২৩ বি নিসন অদুগা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী জর্সি নম্বর ৮ দব্লিউ ইবোয়াইমদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি টি প্রেমজিৎ, কে অজিৎ, কে ব্রোজেন অমদি এন অম্মজিৎনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ব্রান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েংগী মেটচতা ব্রাই ও এস সি খূরাই কোন্সম লৈকাই অমদি পায়া কাইরংনা নুংথিল পুং ১ তাবদা অহানবা মেটচ অদুগা সাক য়ুম্নাম খূনৌ অমদি এলভেন ষ্টার অকামপাৎনা নুংথিল পুং ৩ তাবদা হয়েংগী অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নগনি।

# কুনতরুকশুবা এল সঙ্গিতা দেবী ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা সিকো অমদি ব্রাই এ সি দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল,জুলাই ২২ (এস এন এস) ঃ ইম্ফাল ব্রেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা আর্টিফিসিয়েল তফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাকতা চত্থরকপা ২৬ শুবা এল সঙ্গিতা দেবী নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা সিকো লৌরেম্বম লৈকাই অমদি ব্রাই এ সি য়াইস্কুল গোল ২-২ দা দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা সিকোগী প্রেমজিৎনা চনখিবা গোল অনীনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা টিম অসিনা ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি অদুবু অনীশুবা হাল্ফতা ব্রাই এ সিনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দাক্কুনা মেটচ অসি মায়থিগদবদগী কন্দুনা দ্রো চৎখি।

মেটচকী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নবা হৌরকখি অদুবু মেটচ হৌরকপগী মিনট ১০ চৎপদা ব্রাই এ সিগী জর্সি নম্বর ৯ কে অরুন কুমারনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

হাল্ফ অসিগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা সিকো লৌরেবম লৈকাইনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্লুবা হোৎন্নরগা শান্নরক্কুনা মেটচকী মিনট ২২ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১০ কে ঐচ প্রেমজিৎনা গোল হন্দোক্লগা ১-১ দা লৈদুনা মেটচকী লমজেলদা লাক্লনবা হোৎনখি।

মদুগী হোনজমনগী মহৈ অদু ফংদুনা গোল হন্দোখ্রবা মতুংগী মিনট ৫ কান্নরগা ২৭ দা কে ঐচ প্রেমজিৎনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২-১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ব্রাই এ সি য়াইস্কুলনা মেটচ অসি অমুক লাকশিন্না শান্নরক্কুনা মিনট ৩৮ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ২২ এস নাওবনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দাক্কুনা ২-২ দা মেটকী অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা গোল মান্না লৈদুনা দ্রো চৎখি।

মেটচ অসিদা সিকো লৌরেম্বম লৈকাইগী জর্সি নম্বর ৪ জি এলেক্স শর্ম্মাদা মেটচকী মিনট ১৭ অমদি ৭০ চৎপদা দবল কোসন বুক তৌবদগী মেটচকী মপালদা থোকখি, টিমসিগী জর্সি নম্বর ১০ কে ঐচ প্রেমজিৎ অমদি জর্সি নম্বর ৬ এন জি জিনেন্দ্র অদুগা ব্রাই এ সিগী জর্সি নম্বর ৮ লক্সমিচান্দ অমদি জর্সি নম্বর ৫ এন সোভাচন্দ্রদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এস ঐচ সুরেস সিংহ, এন জি ইঙোচা সিংহ, চাগুলুঙ পামৈ অমদি এ শাফবা মীতৈনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ব্রান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগ অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফ লাঙজিং অমদি এন সি ক্লব খোঙহামপাৎনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীমক্না গোল ২-২ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফ লাঙজিংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১২ কাব্রদৌ বোরোনা মিনট ১৪ অমদি জর্সি নম্বর ২৩ পাওকিথাঙ কিপজেননা মিনট ২৬ তা চনখি।

অদুগা এস সি ক্লব খোঙহামপাৎকী গোলশিং অদুনা অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৭ এল সঙ্করনা মিনট ২৮ অমদি জর্সি নম্বর ১০ সুরেসনা মিনট ৬৭ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফকী জর্সি নম্বর ৮ টি ঐচ সুরজিৎ সিংহদা মেটচকী মিনট ৪১ অমদি ৬৫ চৎপদা দবল কোসন বুক তৌবদগী মেটচকী মপাল তোকহনখি। অদুগা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৪ কে প্রেমচান্দ অমদি জর্সি নম্বর ৯ জেসৈদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শানন্নখিবা মেটচ অসি এন সন্তোস সিংহ, এস তোম্বী সিংহ, টি ঐচ রোবিন সিংহ অমদি পাওগৌলেননা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ব্রান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগ অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ২৪ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা পময়াল পাৎসোই অমদি এস সি কে কোন্দোংপোকপীনা অহানবা মেটচ শান্নগনি অদুগা পুং ৩ তাবদা ব্রাফা ব্রাঙ্গোই অমদি ব্রাই এ সি য়াইস্কুলনা অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নগনি।

# ওল ইন্দিয়া সব- জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টদা বিক্সন অমদি বোন্সন মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,জুলাই ২২ (এস এন এস) ঃ বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২১ দগী ২৭ ফাওবা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পূন্না শান্নরোই ১২০০ না শরুক য়াদুনা য়োনেক্স সনরাইজ ওল ইন্দিয়া সব- জুনিয়র ( চহী ১৫ অমদি চহী ১৭ ) মখা রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা নুপামচা চহী ১৭ মখাগী শান্নখিবা সিঙ্গলসকী মেটচতা বিক্সন সিংহ চিরোমনা সাহিল মার্টিন দি সৌজাবু ১৫-১১, ১৩-১৫, ১৫-১০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বালিফিক্সেনগী মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা বোন্সন সিংহ থোঙব্রমনা তরাক শ্রীনিভাসপু ১৫-১২, ১৫-১০ দা মায়থিবা পীখি। শ্রীজিৎ মোইরাংথেমনা অঙাম নেতাবু ১৫-৪, ১৫-৩ দা মাথিবা পীখি।

রিটিস সিংহ চিঙাবমনা সুদাসন ব্রাদবু ১৫-৭, ১৫-১০ দা মায়থিবা পীখি। মিটিক রোহি থিয়ামনা কুশাগ্রা পান্দেবু ১৫-১০, ১৬-১৪ দা মায়থিবা পীখি।

চরচিল চোঙথাম, য়োহেনবা সিংহ এন অমদি মলেমঙানবা ব্রাহেংবম ব্রাক ওভর ফংদুনা ক্বালিফিক্সেনগী মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা পুরাজে শর্ম্মানা ব্রজামনি সিংহ মাইবমবু ১৫-৫, ১৫-১০ দা মায়থিবা পীরমখি। শ্রীশিঠ ভর্ম্মানা রোহিৎ ওইনামবু ১৫-৭,১৫-৭ দা মায়থিবা পীরমখি।

অয়ুস গোশামিনা অগালিন সিংহ মাইবমবু ১৫-৪, ১৫-১১ দা মায়থিবা পীরমখি। দারু মানঘাটনা অবিনাস নোংথোংবমবু ১৫-১১, ১৩-১৫, ১৫-৮ তা মায়থিবা পীরমখি।

# অব্রাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল,জুলাই ২২ (এস এন এস) ঃ ওল মণিপুর বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসন (অম্বা)গী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ডা. ই কুল্লাধজা সিংহনা হৌখিবা থা অসিগী ২০ দা এলাংবম লৈকাইদা লৈবা মশাগী ময়ুমদা লৈখিদবদা এসোসিয়েসন অসিনা অব্রাবা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা মীফমদা লৈখিদ্রবা অসিনা মণিপুরদা বোডি বিল্ডিং মশান্না অসি চাওখৎনবা হোৎনবদা লৌখিবা থৌদাংশিং অদুবু অমুক নৌহৌন্না নীংশিংবগা লোয়ননা এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বরশিংনা মিনট ২ তুমিননা লেপ্তুনা অব্রাবা ফোঙদোকখি অমদি ইমুং মনুংগী অব্রাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

# সাইনিক স্কুলগী ইষ্ট জোন স্পোর্টস এন্দ কলচরেল ফেষ্টিভেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯-২০ হৌখ্রে




ইম্ফাল,জুলাই ২২ (এস এন এস) ঃ সাইনিক স্কুল ইম্ফালনা যুম্বু ওইদুনা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ২৬ ফাওবা সাইনিক স্কুল ৬ না শরুক য়াদুনা ইষ্ট জোন স্পোর্টস এন্দ কলচরেল ফেষ্টিভেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯-২০ হৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি এডুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোক্কখি লোয়ননা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ারিবা কেদেটশিংগী মহুৎ শীন্দুনা সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী স্কুল স্পোর্টস কেপ্টেন, ইষ্ট জোন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী দিসক্স থ্রোদা অহুমলক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা কেদেট ইরেংবম এলিসননা ওট টেক্কিং লৌখি।

পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসি তোঙান- তোঙানবা মশান্না ফুটবোল, ভোল্লিবোল, বাস্কেটবোল অমদি হোক্কীগী মশান্নশিংদা অথোই অহেন তান্নগনি অমদি কো কালিকুলর এক্টিবিষ্টি অহুমদসু অথোই অহেন তান্নগনি।

ফুটবোলগী চহী ১৭ মখাগীদা সাইনিক স্কুল ইম্ফাল অমদি সাইনিক স্কুল পুঙলব্রানা শান্নখিবা মেটচতা ইম্ফালনা পুঙলব্রাবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ১ চনখি, গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ অদিন লমকাঙনা মিনট ২৫ দা চনখি। অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোল ২ অদুনা জর্সি নম্বর ১১ দব্লিউ রামেসচন্দ্রনা মিনট ৪২ অমদি ৫৪ দা চনখি। মেটচ অসিদা সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী জর্সি নম্বর ১৩ মঙলেম্বা অমদি সাইনিক স্কুল পুঙলব্রাগী জর্সি নম্বর ৯ রোসন তামিনদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মশান্না অসিগী চহী ১৪ মখাগী শান্নখিবা অহানবা মেটচতা সাইনিক স্কুল চীঙচিপ অমদি সাইনিক স্কুল পুঙলব্রা গোল ১-১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদি গোল চন্নবা ঙমদনা লৈন্নখি। চীঙচিপগী গোল অদু অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৩৩ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৯ হুনরাওপিয়ানা চনখি অদুগা পুঙলব্রাগী গোল অদুসু অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৫৪ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৪ সুক মিসোটনা চনখি। মেটচ অসিদা চীঙচিপকী মিজর্সি নম্বর ৫ নিক্কিদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

কাঙলূপ অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি সাইনিক স্কুল ইষ্ট সিয়াং অমদি সাইনিক স্কুল পূরুলিয়ানা শান্নখিবা মেটচতা ইষ্ট সিয়াংনা পূরুলিয়াবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ইষ্ট সিয়াংগী গোলশিং অদু অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১১ ব্রাঙফুনা মিনট ৪০, জর্সি নম্বর ৮ মিজুমনা মিনট ৪৫ অমদি জর্সি নম্বর ১০ লিমুকনা মেটচকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ২ দা চনখি। মায়থিরবা পূরুলিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২২ দেবরাজ পালনা মিনট ৩৬ তা চনখি। মেটচ অসিদা পূরুলিয়াগী জর্সি নম্বর ২৬ জয়েন্ততা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

কাঙলূপ অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী ৪ শুবা গ্রাউন্দা সাইনিক স্কুল ইম্ফাল অমদি সাইনিক স্কুল গোলপরানা শান্নখিবা মেটচ্‌তা ইম্ফালনা গোলপরাবু য়াম লাকচন্না গোল ৫-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৪ এস এল লাল সাঙলেননা মিনট ২ অমদি ৩০ দা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল ৩ অদুনা জর্সি নম্বর ৭ চেতন কুমারনা মিনট ৪৫, জর্সি নম্বর ১০ লমঙানবনা মিনট ৪৭ অমদি জর্সি নম্বর ১২ মাঙখালেনননা মিনট ৫০ চৎপদা চনখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী বাস্কেটবোল মশান্নগী ঙসি সাইনিক স্কুল গোলপরা অমদি সাইনিক স্কুল মিজোরামনা শান্নখিবা মেটচতা সাইনিক স্কুল গোলপরানা সাইনিক স্কুল মিজোরামবু পোইন্ট ৭৯-১৭ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী অহানবা ক্বাটরদা গোলপরানা পোইন্ট ২২-৪, অনীশুবা ক্বাটরদা ২১-৫, অহুমশুবা ক্বাটরদা ২১-১ অমদি মরিশুবা ক্বাটরদা পোইন্ট ১৫-৭ স্কোর তৌদুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

# অহুমশুবা টি বি এস এফ এ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা য়ু ভি এস এ (এ) লিলোং চজিং মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,জুলাই ২২(এস এন এস) ঃ লাইফ লাইন ইনভেষ্টমেন্টনা স্পোন্সর তৌরগা টি ভি এস এফ এ ভেটরান ফুটবোল টিমনা শীন্দুনা থা অসিগী ৭ তগী টিম ১১ না গ্রুপ-২ থোক্না খায়দোক্কুনা টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিগী তবুংখোক গ্রাউন্দা চত্থরকপা অহুমশুবা টি ভি এস এফ এ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু ভি এস এ (এ) লিলোং চজিং মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি য়ু ভি এস এ (এ) লিলোং চজিং অমদি চোলহা এফ সিনা শান্নখিবা গ্রুপ- বিগী লীগ মেটচতা য়ু ভি এস এ (এ) লিলোং চজিংনা চোলহা এফ সিবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী য়ু ভি এস এ (এ) লিলোং চজিংনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা মেটচকী মিনট ১৪ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৮ এল গান্ধী সিংহনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

টিম অসিগী অনীশুবা গোল অদুনা মিনট ২৪ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৫ নোরেন সিংহনা চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি। অদুবু গোল শোত্থরিবা চোলহা এফ সিনা অতেনবা মিনটতা য়ু ভি এস এ (এ) লিলোং চজিংবু শীংন্নরক্কুনা মেটচকী মিনট ২৭ চৎপনদা জর্সি নম্বর ১১ জাঙমিলেন গুইতেনা গোল হন্দাক্কুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা ২-১ দা লৈখি।

মেটচকী অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা চোলহা এফ সিনা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমদবদগী মেটচ অসি মায়থিবা নংখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা চোলহা এফ সিগী জর্সি নম্বর ১৪ ঙমখোহাও হাওকিপ, জর্সি নম্বর ৫ থোঙহেন কিপজেন অমদি য়ু ভি এস এ (এ) লিলোং চজিংগী জর্সি নম্বর ১১ দব্লিউ রোবিন্সন সিংহ অমদি জর্সি নম্বর ১৯ এন গান্ধীদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগী য়েলো কাদ বুক তৌখি।

# ওইনাম চার্লি কাঙ টুর্নামেন্টদা ব্রাঙ্গোই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ২২ (এস এন এস) ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ওইনাম রোমেন সিংহনা স্পোন্সর তৌরগা শিংজমৈ কাঙখূৎনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৪ দগী টিম ১৩ না গ্রুপ- ৪ থোক্না খায়দোক্কুনা শিংজমৈ কাঙশংদা চত্থরকপা অনীশুবা ওইনাম চার্লি সিংহ নীংশিং চহী ৫০ অমদি ৬০ মথক্কী লীগ কম নোক আওট কেন্দ্র ব্রাইজ কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচতা ব্রাঙ্গোই কেন্দ্র মায় পাকখ্রে।

টুর্নমেন্ট অসিগী তরেতশুবা লীগ মেটচ ওইনা ব্রাঙ্গোই কেন্দ্র অমদি থাংমৈবন্দ কেন্দ্র (বি)না শান্নখিবা গ্রুপ- বিগী লীগ মেটচতা ব্রাঙ্গোই কেন্দ্রনা থাংমৈবন্দ কেন্দ্র (এ)বু পাঞ্জল ২১-১০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ব্রাঙ্গোই কেন্দ্রগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১২ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৯ পূন্না পাঞ্জল ২১ স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা থাংমৈবন্দ কেন্দ্র (বি)গী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৪ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৬ পূন্না পাঞ্জল ১০ চনখি।

# ইম্ফাল ইষ্ট সুট্টিং কম্পিটিসন হৌখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ২২ (এস এন এস) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসিদগী সুত্তর ৬১ না শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কম্পলেক্সকী সুট্টিং রেঞ্জতা শন্নবা হৌখ্রে। টুর্নামেন্ট অসি নেসনেল রাইফল ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরী এম রাজচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি।

OFFER OFFER

EYE CHECKUP + HIGH QUALITY EYEGLASSES + HIGH QUALITY FRAME. VisionworKs, which is located opposite to Babina Diagnostics, RIMS Road is giving an exclusive offer. Eye check up by an experienced and certified Optometrist, new high quality frame manufactured by a certified company along with warranty and high quality single vision or bifocal lenses prescribed by our Optometrist or any other Ophthalmologist. All these above at just the cost of ₹1000/- only. All these products have been obtained by us by sidelining the distributor, wholeseller, retailer and directly from the company for the benefit of the people of Manipur. Kindly avail this opportunity at the earliest.

VisionworKs

RIMS Road Opposite Babina Diagnostic
Imphal West District, Lamphel – 795004
Cells: +91-801-4729659/986-2101656/985-6999784

SL/B(K)/20...15D.Alt

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com